সব-জুনিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ, ২০১৭

# মণিপুর সেমী ফাইনেল য়ৌবা য়ৌদবা ঙসি খঙলগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শিল্লগা মণিপুরনা যূম্ন ওইদুনা চথরিবা সব-জুনিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৭-১৮দা মণিপুরগী নুপীমচা টিম সেমী ফাইনেল য়ৌবা য়ৌদবা ঙসি খঙলগনি।



সব জুনিয়র গার্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ মরিমক হয়েং খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নরগনি। নোক আউট ষ্টেজ অসিদা কনা কনা মায় পাক্লকপগে নৎত্রগা কনা কনা মায়থীখিবগে হায়বদু শোয়দনমক হয়েং খঙলগনি। মমাঙগী চেম্পিয়ন ওরিষা, কেরলা, চান্দিগর, বিহার, দেল্লি, মহারাষ্ট্রা অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগীসু হয়েং অসি সেমী ফাইনেলগীদমক মরায়বক লেপ্পা নুমিৎ ওইগদৌরিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ওদিষা অমসুং কেরলা হয়েং অয়ূক পুং ৭ তাবদগী শান্নগনি। মমাঙদা চেম্পিয়ন ওইখিবা ওদিষানা হন্দকসু চেম্পিয়নশিপকী টাইটল মাঙহন্দনা থম্নবগীদমক করন্থা মওংদা শান্নরকপগে হায়বদু য়েংবা তারি। কেরলানসু সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক মমাঙগী চেম্পিয়ন ওদিষাবু মায়থীবা পীবা ঙমগদ্রা হায়বসি অতোপ্পা টিমশিংনা ৱাহং ওইনা হংনরিবনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদনা চান্দিগর অমসুং বিহার শান্নগনি। গ্রুপ এফতা লীগ রাউন্দগী মেচ খুদিংমক মায় পাক্লগা অহানবা পোজিসন্দা লৈরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখিবা বিহারনা গ্রুপ বিগী অহানবা পোজিসন্দা লৈরিবা চানি দগরগা থেঙ্গাইনগদৌরিবনি। চান্দিগরসু লীগ রাউন্দদা মেচ অনীমক মায় পাক্লকখিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা গোল চনবগী মশিংদি চান্দিগরনা হেল্লগা চৎলি। বিহারনা হৌজিকফাওবদা শান্নখিবা মেচশিংদা গোল ৬ চনবা ঙমখ্রে অদুগা চান্দিগরনা গোল ৮ চল্লি।

দেল্লি অমসুং মহারাষ্ট্রসু ক্বার্টর ফাইনেল অসিদা থেঙ্গাইনগদৌরি। লীগ রাউন্দগী মেচ খুদিংমক মায় পাক্লগা গ্রুপ জিগী অহানবা পোজিসন ওইরকখিবা মহারাষ্ট্রনা গ্রুপ সীগী অহানবা পোজিসন্দা লৈরিবা দেল্লিগা থেংনগদৌরিবনি। লীগ রাউন্দদা দেল্লিনা জম্মু কাশ্মীরবু য়াম্না শাথিনা মায়থীবা পীখিবা লৈখ্রবনি। মেচ অদুদা দেল্লিনা গোল ২০গী মথক্তা চন্দুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু মায়থীবা পীখিবনি। হৌজিক ফাওবদা দেল্লিনা মেচ অনী শান্নবদা গোল ২৬ চনবা ঙমখ্রে। অদুগা অতোপ্পা টিমশিংনা গোল অমা ফাওবা চলহন্দ্রি। অদুবু মহারাষ্ট্রদি মেচ অনী শান্নবদা গোল তরুক্তগী হেন্না চনবা ঙমদ্রি।

যূম্ন ওইরিবা মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগা থেঙ্গাইনগনি। গ্রুপ এগী অহানবা পোজিসন্দা লৈরিবা মণিপুরনা গ্রুপ ঈগী অহানবা পোজিসন্দা লৈরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগা থেঙ্গাইনগনি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরনা মেচ অনী শান্নবদা গোল ১০ চনবা ঙমখ্রে। অদুগা অতোপ্পা টিম্না গোল ২ চনশিল্লকখ্রে। ৱেষ্ট বেঙ্গলনা হৌজিক ফাওবদা গোল ৪ চনবা ঙমখ্রে অদুগা অতোপ্পা টিম্না গোল ৩ চনশিনখি। মণিপুর অমদি অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মরক্তা করম করন্থা ষ্টেটশিং সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লগদগে হায়বদু হয়েংদি শুংশোয় শোয়দনা খঙলগনি।

# হান্নগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর বিজয় গোয়লনা কিদম্বী শ্রীকান্থপু পদ্মশ্রীগীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি) : ইন্দিয়াগী হান্নগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর বিজয় গোয়লনা চহী অসিদা সুপর সেরিজ টাইটল মরিরক লৌবা ঙমখ্রবা কিদম্বী শ্রীকান্থপু পদ্মশ্রী এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে।



হৌজিক হৌজিক পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যেরস মিনিষ্টর ওইরিবা বিজয় গোয়লনা ঙসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথতা অইবা চেরোল থাদুনা কিদম্বী শ্রীকান্থপু লৈবাক অসিগী মরিশুবা থাক্তা লৈরিবা সিভিলিয়ন এৱার্দ অসিগীদমক রিকমেন্দ তৌখিবনি। অদুমকপু পদ্মশ্রী এৱার্দকী নোমিনেসন অসি হৌখিবা সেপ্তেম্বর ১৫গী অহিং নোংয়াইদা অরোইবা মতম ওইখ্রবনি।

কিদম্বী শ্রীকান্থপু রিকমেন্দ তৌরদুনা বিজয় গোয়লনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা ইখিবা চেরোল অদুদা, 'কিদম্বী শ্রীকান্থ অসি লৈবাক অসিগী নহাশিংগী আইদোল অমনি। মহাক্কী এচিভমেন্টশিং শকখঙবীবা লৈবাক অসিগী মশীং য়াম্না পাল্লি। এক্স স্পোর্টস মিনিষ্টর অমা ওইনা মহাক্কী মমিং অসি পদ্মশ্রী এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌবিনবা মীওই কয়ানা ঐঙোন্দা এপ্রোচ তৌরকখি। মীয়ামগী অপাম্বশিং অদুগী মতুং ইন্না কিদম্বী শ্রীকান্থপু পদ্মশ্রী এৱার্দকীদমক ঐহাক্না রিকমেন্দ তৌবনি' হায়বা ৱাফম পল্লি হায়রি।

পনবা য়াবদি, পেরিসতা পাঙথোকখিবা ফ্রেঞ্চ ওপন সুপর সেরিজগী ফাইনেলদা কিদম্বী শ্রীকান্থনা জপানগী কেন্টা নিসিমোটোবু ২১-১৪, ২১-১৩দা মায়থীবা পীরম্লগা সেরিজ অসিগী টাইটল লৌখিবনি। শ্রীকান্থকী মমাঙদা চাইনিজ লেজেন্দ লিন দান, মালেসিয়ন ষ্টার লি চোং ৱৈ অমসুং চেন লোংনা চহী অমগী মনুংদা সুপর সেরিজ টাইটল মেন'স সিঙ্গলসতা মরিরক লৌবা ঙমখ্রবনি। হন্দক্কী সিজন অসিদা মশাগী চহী ২৪দা ঙাইরিবা শ্রীকান্থনা ফাইনেলদা মঙারক য়ৌখি। সিঙ্গাপুর ওপন্দা মহাক রন্নর্স-অপ তাহৌখিবনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন সুপর সেরিজ অসি লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা কিদম্বী শ্রীকান্থনা ইন্দোনেসিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ডেনমার্কতা সুপর সেরিজগী টাইটল অহুম লৌখ্রবনি। পদ্মা এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখিবা স্পোর্টস পার্সন অসি কিদম্বী শ্রীকান্থখক নত্তে। সট্টল পি ভি সিন্ধু অমসুং ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী হান্নগী কেপ্তেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনিসু পদ্মভুষনগীদমক রিকমেন্দ তৌখিবা লৈখ্রবনি। পদ্ম ভিবুষন, পদ্ম ভুষন অমসুং পদ্মশ্রী এৱার্দশিং অসি চহী খুদিংগী রিপব্লিক দেগী থৌরমদা লাউথোকপনি।

# সুদামা বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শান্তিকুমার অমদি সমরেন্দ্রগী জুরানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচএনএস): চান্দিগরনা যূম্ন ওইরগা হৌখিবা ওক্টোবর ২৬ তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ইন্টর্নেস্নেল ইভেন্ট অমা ওইরিবা তরুকশুবা সুদামা কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী এল শান্তিকুমার অমসুং ৱাই সমরেন্দ্রগী জুরানা চহী ৫৫ মথক্কী মেন'স দবল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

শ্রী লঙ্কা, বংলাদেশ অমদি ইন্দোনেসিয়ানচিংবা লৈবাকশিংদগী লাকপা শান্নরোয়শিং শরুক য়াবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২৯ দগী নুপী শান্নরোয় ১০০ রোম য়াওনা পূন্না শান্নরোয় ৭০০ লোমনা শরুক য়ারগা চান্দিগরগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা সুদামা কপ অসিদা দেল্লিগী হরজিৎ সিংহ অমদি পঞ্জাবকী অরুন ধানগী জুরানা মণিপুরগী এল শান্তিকুমার অমসুং ৱাই সমরেন্দ্রগী জুরাবু সেমী ফাইনেলদা ২১-১৪, ২১-১৭তা মায়থীবা পীরম্বদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি।

# ৱিন্নর্স কপ : এ এফ সী থৌবালনা য়ু এল এফ সী চান্দেল মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : ববিনা হেল্থ ক্যের এন্দ হোস্পিটালিটি প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শিন্দুনা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা পাঙথোক্লিবা থাংজম বিরচন্দ্র-মায়পাকপী মেমোরিএল ২২শুবা ৱিন্নর্স কপ ফোর মেন ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এ এফ সী থৌবালনা য়ু এল এফ সী চান্দেলবু মায়থীবা পীখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ১১না শরুক য়ারগা চথরিবা থাংজম বিরচন্দ্র-মায়পাকপী মেমোরিএল ২২শুবা ৱিন্নরস কপ অসিগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদগী চান্দেলগী লিৱা সরাই গ্রাউন্দদা য়ু এল এফ সী চান্দেল অমসুং এ এফ সী থৌবাল শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। য়ু এল এফ সীনা যূম্ন ওইরগা শান্নখিবা মেচ অদুদা টিম অসিগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা হাফতা অকনবা এটেক কয়া চথখি। অদুবু এ এফ সীনসু যূম্ন ওইরিবা য়ু এল এফ সীগী এটেকশিং অদু নিংথিনা দিফেন্দ তৌবদা নত্তনা কাউন্টর এটেক কয়াসু চথখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। মসিগী মতুংদা মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী গোল চন্ননবা এটেক কয়াসু চথনখি। টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী এটেক কয়া চথনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নখিদবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা য়ু এল এফ সী অমসুং এ এফ সী গোল ০-০দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীমক্না মখা তানা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফতা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লাকখিবা অদু অনীশুবা হাফতদি গোল চন্ননবা টিম অনীমক্না হেন্না ফজনা শান্নরকখি। অনীশুবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। মেচকী ৭২শুবা মিনিটতা এ এফ সী থৌবালগী জর্সি নম্বর ১১ এম দি সহিদুরনা গোল অমা চনখি। সহিদুরনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদুগী অথেংবা শরুক্তা এ এফ সী থৌবালনা মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। এ এফ সী থৌবালনা মাঙজিল থারগা চৎলিবা গোল অদু যূম্ন ওইরিবা য়ু এল এফসীগী শান্নরোয়শিংনা হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা য়ু এল এফ সীনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা এম দি সহিদুরনা চনখিবা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এ এফ সী থৌবালবু মায় পাকহনখি।

## নাগালেন্দনা মণিপুর রন ১১৭তা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : ঝরখন্দগী ধনবাদতা পাঙথোক্লিবা বি সী সী আই ৱিমেন অন্দর ১৯ জোনেল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা নাগালেন্দনা মণিপুরবু রন ১১৭তা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মণিপুরনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা নাগালেন্দনা ওভর ৩৮দা ওল আউট ওইরগা রন ২১৫ লৌখি। মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক মণিপুরনা ওভর ৫০ দা রন ২১৬ লৌবা মথৌ তাখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা মণিপুরনা ওভর ২৭.৩ দা ওল আউট ওইদুনা শুপ্লতগী রন ৯৮ খক লৌরগা নাগালেন্দগী মখূৎতা রন ১১৭তা মায়থীহৌখি। মথংগী মেচতা মণিপুরনা বিহারগা লাক্লিবা নবেম্বর ৩দা শান্নগনি।

# এম য়ু কবাদ্দি মেন'স টিমগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচএনএস): বিহারগী দরবঙ্গদা লৈবা এল এন মিথিলা য়ুনিভর্সিটিদা চহী অসিগী নবেম্বর ১২দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (মেন) টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮দা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু) কবাদ্দি মেন'স টিম ২০১৭-১৮গী শান্নরোইশিং খল্লে হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী সেক্রেটরিগী থৌসু পুরিবা এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সী ঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এম য়ু কবাদ্দি মেন'স টিম ২০১৭-১৮গী শান্নরোয়শিং অসি সেলেক্সন ত্রাইএলদা মখোয়না উৎখিবা পার্ফোমেন্সশিং অদুদা যূম্ফম ওইরগা খনখিবনি।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি থৌবাল কোলেজগী কে সনাতোম্বা, এস চীংলেন, ও সুসিলকুমার অমসুং এম রঞ্জুনি। এম য়ুদগীনা এন লৈশেম্বা অমসুং টি ঐচ দি ওবাদিয়া চিরুনি। দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সতগীনা ও সৈত্যজিৎ অমসুং এন হেমলেটনি। দি এম কোলেজ ওফ আর্টসতগীনা পি রাজেস অমসুং মণিপুর কোলেজদগীনা লক্সমন নাওরেমনি। অদুগা ময়ায় লম্বী কোলেজদগীনা এল মালেমঙানবা মীতৈ অমসুং দব্লিয়ু দয়ানন্দনি। অদুগা রিজার্ভ/পেনেল প্লেয়রশিং ওইনা খল্লবশিং অদুনা এম য়ুদগী কে ঐচ বোরিস, মণিপুর কোলেজদগী মহেশ কুমার নাওরেম অমসুং থৌবাল কোলেজদগী এল রোমেসনি।

এম য়ু টিমগী খল্লবা শান্নরোয়শিং অসিগী মরক্তা ৱিথদ্রো তৌরকপা শান্নরোয়শিং য়াওরবদি রিজার্ভ প্লেয়রশিং অসিদগী অমুক খনগৎকনি। খল্লবা শান্নরোয়শিং অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টসকী ওফিসতা লাক্লিবা নবেম্বর ২গী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী সেক্রেটরিগী থৌসু পুরিবা এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সী ঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# ৱর্ল্ড আর্চরি য়ুথ চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল অনী লৌরকখ্রবা জেমসন নিংথৌজম মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : অর্জেন্টিনাগী রোসারিওদা ওক্টোবর ২দগী ৮ ফাওবা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৬৫গী এথলেট ৫৩২না শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবা ১৪শুবা এদিসন, ৱর্ল্ড আর্চরি য়ুথ চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারগা মেদল অনী লৌরকখ্রবা মণিপুরদগী জেমসন নিংথৌজম ঙসি মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।



ৱর্ল্ড আর্চরি য়ুথ চেম্পিয়নশিপ অসিগী রিকর্ভ জুনিয়র মিক্স ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অমসুং রিকর্ভ জুনিয়র মেন'স টিম ইভেন্টতা শিলভর মেদল লৌরকখ্রবা জেমসন নিংথৌজম্না ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না মহাকপু লৈ পরেং হুক্তুনা তরাম্না ওকখি। মহাকপু তরাম্না ওকপা অদুদা লৈতম্বী য়ুথ ৱেলফ্যের ওর্গেনাইজেসন (এল ৱাই দব্লিয়ু ও) গী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপ অসিদা জেমসন নিংথৌজম্না মায় পাক্লকখিবা অসিদা মীয়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা আর্চর অসিবু তাকপী তম্বীরকখিবা য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী হান্নগী আর্চরিগী কোচ লাইশ্রম জামিনিবুসু মীয়াম্না লৈ পরেংশিং হুক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

জেমসন নিংথৌজম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নহারুপ পাঙ্গোং মখোংদগী নিংথৌজম বসন্তা মীতৈ অমদি নিংথৌজম ওংবী রধামনি লৈমগী মচানুপানি।

ৱর্ল্ড আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী রিকর্ভ জুনিয়রগী মিক্স ইভেন্টতা জেমসন নিংথৌজম্না অঙ্কিতা ভগটকা পূন্না গোল্ড মেদল লৌখিবনি। রিকর্ভ জুনিয়র মিক্স টিম ইভেন্ট অদুদা জেমসন নিংথৌজম অমসুং অঙ্কিতা ভগটকী জুরানা রসিয়াগী স্পেটলানা গোমদেবা অমদি অর্দে রিদাইনিভপু ৬-২দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

রিকর্ভ জুনিয়র মেন'স ইভেন্টতনা মণিপুরগী জেমসন নিংথৌজম্না সুকমনি অমসুং গজানন বব্রেকরগা পূন্না শিলভর মেদল লৌমিন্নখিবনি।

# ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসনগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসনগী জেনরেল বোদি মীফম অমা ঙসি অয়ূক খুরাই কোন্সম লৈকায়দা লৈবা মিসিখোল (থাঙ-তা) গী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা এসোসিএসন অসিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে।

জেনরেল বোদি মীফম অদুদা থিংবাইজম ইবোহনবীনা চীফ গেষ্ট, মোইরাংথেম মনি অমসুং ওক্রম মঙলেম মীতৈনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা ওবজার্ভর ওইনা অকোম লুপকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা শরুক য়াখি।

ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওক্রম মঙলেম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এসোসিএসন অসিগী নৌনা থৌ পুনবগীদমক জেনরেল বোদি মীফম্না খনখ্রবা মীওইশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ওইনা ওক্রম মঙলেম মীতৈ, ভাইস প্রসিদেন্টশিং ওইনা অথোকপম জয়, লাইশ্রম লক্সমন, এম মাইপাকসনা মঙাঙ অমসুং এন ইবোহলনি। জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা হিজম হেমজিৎ মীতৈ, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিশিং ওইনা এন জিবন, এল রোবিন্দ্রো, সী ঐচ প্রেমাবতি অমসুং ও ৱাঙম্বা মীতৈনি। ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা কে এস ঐচ মনিলাল, এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা এস ঐচ ইবোমচা, পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা টি ঐচ সান্তিকুমার, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিশিং ওইনা এম লেখেন্দ্রো, এম কমলকুমার অমসুং এস চিতন মঙাংনি। ওদিটর সেক্রেটরি ওইনা এস শ্যামসো, এসিষ্টেন্ট ওদিটর সেক্রেটরি ওইনা দব্লিয়ু ব্রোজেন্দ্রো অমসুং এক্সিক্যুটিভ সেক্রেটরি ওইনা সী ঐচ রনবির, টি ঐচ কোরা, টি ঐচ থৌগাইঙম্বা, ঐচ পন্দিট অমসুং এ রিসিকেসনি।

মীফম অদুনা ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসনগী চীফ এদভাইজর তরুকসু খনখি। চীফ এদভাইজর ওইনা খনখ্রবশিংদি মনি মোইরাংথেম, শ্যামকিশ্বর কাংঙবম, রোবিন্দ্রো থাংজম, ইবোহনবী থিংবাইজম, ঐচ বিশরুপ অমসুং এস অৱাংবনি হায়না ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওক্রম মঙলেম মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



HL-B/4172/17/10-14/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com